ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

ঙসিদগী হৌগদৌরিবা ৩২শুবা টোকিও সম্মর ওলিম্পিক, ২০২০দা লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরগী শান্নরোয় ৫গী ইমুং-মনুংদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিডেন্ট এ শর্দানা পুক্নিং থৌগৎপা ৱারোল অমসুং শেলগী মতেং পীখিবা

ঐখোয়গী লৈঙাকপশিং অমসুং পেন্দমিক
☛ লামায় ২

ভেক্সিনেসন দ্রাইভ পাঙথোক্লগনি
☛ লামায় ৩

রোজিৎনা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী লৈকায় মরিদা তেংবাংখ্রে
☛ লামায় ৫

মহৈরোয় লূপ ৬না গভর্ণরদা অইবা চেরোল পীদুনা ৱাকৎখ্রে
☛ লামায় ৬

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চৈথেং নংলবা ৱাংজিং সোরোকখাইবম লৈকায় য়েন্দ্রেম্ম লৈরক্কী ইমুং অমদগী য়েন্দ্রেম্ম বিরেন অপোকপা অমুমচানা লৈকায় অসিদা লৈমিন্নরিবা ইমুং ৮০ রোমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা য়েন্থোকখিবা

Vol. 45, Issue No. 118 | ইরাই, ইঙেনগী ১৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, July 23, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

কোভিদ ৱারিয়র অমা লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচএনএস) : য়ুথ ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (ৱাই দব্লিয়ু ও) বিষ্ণুপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইবদা নত্তনা বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর ৫ অমসুং ৬কী কোভিদ টাস্ক ফোর্সকী কনভিনর ওইদুনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্নখিবা কোভিদ ৱারিয়র হুইদ্রোম জয় (৩৪) অপোকপা ঐচ অঙৌ ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী রাজ মেদিসিটিদা লায়েংলকপদা কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। মহাক্কী লোয়নবী অমসুং মচানুপা অমা, মচানুপী অমা লৈহৌরি।

পাউ পীরক্লবদি এক্সন লৌগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): মণিপুর গভর্ণমেন্টকী সেক্রেটরি (সোসল ৱেলফ্যের) নিংথৌজম জিওফ্রিনা ঙসি থোকখিবা নোটিফিকেসন অমদা 'চীফ মিনিষ্টর কোভিদ-১৯ এফেক্টেদ লাইফলিহুদ সপোর্ট স্কিম' গী দমক হৌজিক ফাওবদা সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী স্কিম অসিগী ফোর্ম অমসুং মদুবু সবমিট তৌরক্লবগী মতাংদা ফোর্মেল ওইবা পব্লিক নোটিফিকেসন অমত্তা থোকখিবা লৈত্রি।

কনাগুম্বা মীওই খরনা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা স্কিম অসিগী এপ্লিকেসন ফোর্মেটশিং য়োন্দুনা অমসুং বেনিফিসরি ওইবা য়াবা মীওইশিংগী মায়কৈদগী এপ্লিকেসন ফোর্মশিং সবমিট তৌবগী মীংদা শেল লৌরে হায়বগী রিপোর্টফংলে। মরম অসিনা মীয়াম্না অসিগুম্বা অন ওথোরাইজ ওইবা মীওইশিং অসিগী থবক থৌরমশিংদগী চেকশিনবীয়ু হায়বগা লোয়ননা করিগুম্বা অসিগুম্বা ইল্লিগেলগী ওইবা থবকশিং অসিগী মতাংদা সোসল ৱেলফ্যেরগী দিরেক্টরদা পাউ পীরক্লবদি মখোয়গী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা চপ চাবা লিগেল/প্যুনিটিভ এক্সন লৌখৎকনি হায়রি।

ঙসি থোকখিবা নোটিফিকেসন অসিনা ফোঙদোরকপদা স্কিম অসিগী গাইদলাইনশিং থা অসিগী ১৫দা ওফিসল ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩২.১৬ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৭.২৮ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.৬৫
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৩

HL Poll

Q: Houjik leiriba leingak asina disqualification, defection, resignation khwaidagi mayoknaba leingakni haibada langadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Manipurda political stability leihannaba political party pumnamakki leadersingna hotnapham thok-e haina khanbra?

Yes 100% No 0%

অস! লোইরেহে!

- সোম্না কদর ত্রেনিংদা গোল্ড লৌরকপসি করি খনবীগে?

- [illegible]



- ঐ ভোট লেপকে খঞ্জে।

- [illegible]

অনৌবা কোংগ্রেস প্রসিদেন্টগী ৱাফম অথুবদা লৈখাই তারগনি

'বি জে পিদি লৈঙাক পায়দবা য়াদে হায়দুনা লৈরে'

MANIPUR PRADESH CONGRESS COMMITTEE

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা প্রসিদেন্ট ফমদগী রিজাইন তৌজরগে হায়না অইবা চেরোল পীশিল্লক্লে হায়রদুনা এম পি সী সীগী অনৌবা প্রসিদেন্টগী ফমগী মতাং অসি অথুবদা লৈখাই তারগনি হায়না এ আই সী সীগী মণিপুরগী ইন চার্জ ভক্ত চরন দাসনা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা গোবিন্দাস কৌন্থৌজমনা এম পি সী সীগী প্রদিদেন্ট ফমদগী রিজাইন তৌখ্রবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভমশিংগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মথক্কী ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়খি, পার্টি অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমশিংগী মতাংদা পার্টি লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নরে। মখা তানসু শান্নখিগনি। ঙরাং পাঙথোকখিবা সী এল পিগী মীফমদা এম এল এ ১২ হেন্না শরুক য়াখি। মীফম অদুনা লাক্লিবা কুমজা ২০২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখলগীদমক্তা কুপ্না খন্নখ্রে। চয়োল অমগী মনুংদা মীখল অসি থেংননবগী রোদ মেপসু শেম্বা লোয়শিল্লগনি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক অসিদি কোভিদ লায়না লাইচৎ থেংননবা হোৎনবগী মহুত্তা লৈঙাক পায়দবা য়াদে হায়বরোমদা কোক থাদদুনা লৈরে হায়নসু মহাক্না বি জে পিবু মরাল শীখি।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক কোভিদ-১৯ গী ওইরিবা ফীভমশিংগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, ষ্টেট অসিদা হৌজিক কোভিদ-১৯ গী ফীভম অসি অসুক্কী মতিক ফত্ত্রে। ওইরিবা ফীভম অসিদা লৈবাক পুম্বনা মীপায়বা পোক্লরে। পার্লিয়ামেন্টতা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক অসিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিং অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা ওক্সিজেনগী অৱাৎপা লৈবনা মরম ওইরগা কোভিদকী অনাবা অমত্তা শিখিবা য়াওদে হায়না ফোঙদোরকখি। অদুমকপু মণিপুরদা লৈরিবা গ্রাউন্দ রিয়েলিটি অসিদি করিনো হায়বা খঙদ্রবা মাল্লে। মফম অসিদা নুমিৎ খুদিংগী শিবা মশীং অমদি পোজিটিভ ওইবা মশীং হেনগৎলক্লি। ঙরাং খক্তদসু মীওই ১,৩২৭ পোজিটিভ ওইখিবগা লোয়ননা মীওই ১৫ লৈখিদ্রে।

রিমস, জেনিমস অমদি লন্নাই হোস্পিটালশিংদা ভেন্টিলেটর ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লবগা লোয়ননা শীজিন্নবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

লন্নাই মীয়ামগী শোথরিবশিং মেনখৎনবা লাম্হেংনগনি : কংলৈপাল

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচএনএস) : কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্সনদা ৮- লন্নাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিগী মীহুৎ ওইগনি হায়না চোংথোরক্লিবা সাপম কংলৈপাল (৩৯) না করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী পোলিটিক্সতা করিগীদমক খোঙদারক্লিবনো অমদি লন্নাই এ সীগী মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌবা পাম্লি হায়বগী মতাংদা পাউচে অসিগী 'মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোং' হায়বা কেন্দিদেট ওইগদৌরিবশিংগী ৱাখল্লোল ঐখোয় পূম্মমক্না খঙমিন্ননবগী চৎথরিবা খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা অখন্ননা ৱারী শান্নরুবদা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায় -

৮-লন্নাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সি

মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোঙ

ডা. খাইদেম অথৌবা

ৱাহং : লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়দুনা ভোট লেপ্পগী ৱাখল ফাওরক্লিবসি করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী অমদি করি পেন্দবা লৈবদগীনো?

পাউ : মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌবা অদুবু পোলিটিক্স কৌই। অদুবু পোলিটিক্সকী ৱাহন্থোক অসি লন্নাই এ সীগী ওইনদি অদুমক লান্না ৱাহন্থোক পীদুনা লাকখ্রে হায়বা য়াই। ইলেক্সন অমদি পোলিটিক্সকী ৱাহন্থোক তোঙান-তোঙানলি। লন্নাই এ সী অসিদদি পোলিটিক্সকী অশেংবা ফজবা ৱাহন্থোক অদু মীয়ামদা খঙহন্দনা থম্বিদুনা লৈরম্মী, হৌজিকসু অদুমক লৈরি। ঐখোয়না তৌরিবা থবক অসিদি পোলিটিক্সনি। ঐ ইশানা পাম্মি হায়না ভোট লেপকে চোঙথোরকপা নত্তে। মীয়ামগী থবক তৌবা অসিদা মীয়াম্না খঙবি-উবিরদুনা অমদি থাজবিদুনা মায়কৈ অসোমগী মীয়াম্না ভোট লেপহন্নিংবগী ৱাফম লাকপদগী ভোট লেপকে হায়না থোক্লকপনি। ইশাগী চহী য়েংলুরগদি নহা ওইরি হায়বা য়াই অদুবু লৈবাক্কী কৎথোকপা অমগা লোয়ননা থবক তৌরকপদি চহী ২০/২৫ ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

'মীয়ামগী পুন্সি কনবদা অৱাৎপা ১তা লৈহল্লোই'

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): শুগুনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা কোভিদ-১৯দগী মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা হোৎনবদা অৱাৎপা অমত্তা লৈহল্লোই।

ৱাফম অসি এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী এম এল এ কাঙুজম রঞ্জিৎনা মহাক্কী কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা কোভিদ-১৯ লাম্হেংনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিং য়াওনা খুল খুলগী ভিলেজ টাস্ক ফোর্সশিংগা হকথেংননা উনদুনা লায়না অসি মায়থীবা পীদুনা কোভিদ লৈহন্দবা কন্সটিট্যুএন্সি অমা ওইহন্নবগী মতাংদা টাস্ক ফোর্সশিংদা পাউতাকশিং পীবগা লোয়ননা মখোয়গী য়ুনিফোর্মশিং য়াওনা অৱাৎ অপানচিংবা মেনশিন্নবা শেলগী মতেং পীবদা ফোঙদোকখিবনি।

এম এল এনা মখা তানা হায়, লৈবাক অসিগী ওইনা কোভিদকী ফীভম খরা ফগৎলক্লবসু অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদদি থোইদোক্না লায়না অসিগী ফীভম লুরি হায়রদুনা মরু ওইনা মণিপুরদনা অমুক্কা হেন্না লায়না অসিগী ফীভম লুশিল্লক্লি। খুঙ্গংগী মফম খুদিংমক্তা পাক শন্না শন্দোরক্লুনা কোভিদ নাবগী মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপগা লোয়ননা শিবগী মশীংসু ৱাংখৎলক্লি হায়খি।

হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা টোটেল কর্ফিয়ু থল্লিবা অসিদা মীয়ামসু ৱাখল তাবা চঙই। শুগুনু এ সীগী মীয়াম্নসু লাইচৎ অসি মায়থীবা পীননবা হোৎনবদা ইশা ইশাগী অচৌবা থৌদাং লৈ খনবীদুনা মীয়াম্নসু কোভিদ ভেক্সিন শুংশোয় শোয়দনা কাপথোকপীয়ু হায়নসু এম এল এনা অপীল তৌখি। লোয়ননা শুগুনু এ সী অসি কোভিদ লৈতবা এ সী অমা ওইহল্লসি হায়রদুনা চেকশিনবা ৱাৎপগী থৌওংশিং তৌবীগনু হায়নসু অপীল তৌখি।

কিশোরচন্দ্রগী দিটেন্সন হায় কোর্টতা চেলেঞ্জ তৌরক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): মে ১৩, ২০২১গী নুমিদাং পুং ৮.৪০ রোম তারকপদা মশাগী সোসল মীদিয়াগী ফেসবুক পেজদা ৱাহৈ খরা পোষ্ট তৌরুই হায়বগী চজদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা ফারগা পুলিস ষ্টেসন অসিগী কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথদুনা থল্লকখিবা কৈশামথোং মোইরাংনিংথৌ লৈরক্তগী লৈখিদ্রবা ৱাংখেম বিরেন্দ্রগী মচানুপা ৱাংথোই এলিয়জ কিশোরচন্দ্র (৪১) বু চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্টনা মে ১৭, ২০২১দা বেল পীখিবা নুমিৎতুমক্তদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মেজিষ্ট্রেটনা থোকখিবা ওর্দর অমনা নেসনল সিক্যুরিটি এক্ট (এন এস এ) দা দিটেন তৌদুনা হৌজিক ফাওবা জেলদা থল্লকপবু চেলেঞ্জ তৌরদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ক্রিমিনেল রিট পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখ্রে।

রিট পিটিসন (ক্রিমিনেল) অদুগী নম্বর-৯ ওফ ২০২১নি। পিটিসন অসি ৱাংখেমচা ৱাংথোই এলিয়জ কিশোরচন্দ্রগী লোয়নবী এলাংবম রঞ্জিতানা পিটিস্নর ওইদুনা ষ্টেট ওফ মণিপুর অমসুং অতোপ্পা ওফিসল অমগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিস্নরগী পিটিসন অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লৌশিনখিবগা লোয়ননা হয়েং কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিস সঞ্জয়কুমার অমসুং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী দিভিজন বেঞ্চনা শুপ্নতগী ক্রিমিনেল পিটিসন অসিখক্তমক লৌখৎতুনা খন্ননবা লিষ্ট তৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ২০দা ৱাংখেমচা ৱাংথোই এলিয়জ কিশোরচন্দ্রগী পিটিস্নর ওইরিবী লোয়নবীগী মায়কৈদগী মণিপুর গভর্ণমেন্টকী চীফ সেক্রেটরিদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখিবনি। চেরোল অদুদা মে ১৭, ২০২১দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

এম পি এস ৪ ত্রান্সফর তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): দি জি পি, মণিপুরনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী এম পি এস ওফিসর ৪গী ফমশিং হোংদোক্লহনখ্রে।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না মরিশুবা আই আর বিগী এসিষ্টেন্ট কম্যান্দেন্ট ওইদুনা এস পি/কাংপোকপীদা এটেচ তৌদুনা লৈরক্লিবা সোনি সিয়ম গোসাং এস পি/কাংপোকপীদগী দিটেচ তৌরগা ৪শুবা আই আর বিগী এ সী ওইনা লৈরগনি। এস দি পি ও/ময়াং ইম্ফাল এ কে শান্তিকুমারনা ৬শুবা আই আর বিগী এ সী ওইরগা এস পি/কাংপোকপীদা এটেচ তৌরগনি। মোরেগী এস দি পি ও এল মেঘবর্নন্না এস দি পি ও/ময়াং ইম্ফাল ওইরগনি। অদুগা ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

লুপা ৫০,০০০গী এৱার্দ পীরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, তমেংলোংগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট টাস্ক ফোর্স ওন কোভিদ-১৯গী চেয়রমেন আর্মষ্ট্রোং পামেনা মাঙজৌননা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না খ্বাইদগী মীশিং য়াম্না কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চনবা অজুরাম ভিলেজদা লুপা লিশীং ৫০গী এৱার্দ পীরগনি হায়দুনা লাউথোকখ্রে।

চেয়রমেননা লাউথোকখিবা ৱাফম অদুগী মতুংইন্না জুলাই ১৫, ২০২১ ফাওবগী মনুংদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী খ্বাইদগী মীশিং য়াম্না কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপা ঙম্বা খুল অমদা হায়রিবা শেলগী মনা অসি পীগনি হায়খিবনি। মসিগী মতুংইন্না অজুরাম ভিলেজগী হীদাক কাপ্পা য়ারবা মীওই ১৫৩ লৈবগী মনুংদা চাদা ৯৭.৩৮ য়ৌনা মীওই ১৪৯দা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবনি হায়রি।

অপূনবা মীওই ১৫৩গী মনুংদা মীওই অনীদি মখোয়গী মেদিকেল কন্দিসনশিংগী মতুংইন্না হীদাক কাপখিদে। অদুগা অতোপ্পা মীওই অনীনা চহী য়াম্না য়াম্বদগী ফমুংদা হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদদুনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিদবনি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী হীদাক খ্বাইদগী য়াম্না কাপথোকখিবা খুলশিংগী মনুংদগী অমা খনগৎলগা পীগদৌরিবা শেলগী মনা অসিনা ভেক্সিনেসন অসিগী অহানবা কেটেগোরিনি। অনীশুবা কেটেগোরিদনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্না কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপা ঙম্বা হেল্থ ৱর্কর অমদা পীগদবনি ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

এ শর্দানা শান্নরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): হয়েংদগী হৌরদুনা মথং থাগী ৮ ফাওবা জপানগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩২রক শুরকপা সম্মর ওলিম্পিক গেমসতা লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংদা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরগী শান্নরোয় ৫বু বি জে পি মণিপুর প্রদেসকী প্রসিডেন্ট অধিকারিময়ুম শর্দানা শান্নরোয়শিং অসিগী ময়ুম ময়ুমদা চৎতুনা পূক্নিং থৌগৎপা ৱারোল অমসুং শেলগী মতেংশিং পীখ্রে।

বি জে পিগী প্রসিডেন্টনা লুচিংবা পার্টি অসিগী কাঙবুনা অহানবদা লাঙ্গোল গেম ভিলেজ জোন টুদা লৈবা বোক্সর এম সী মেরি কোমগী য়ুমদগী হৌরগা মথং-মথং নোংপোক ককচীংদা লৈবী ৱেটলিফ্টর সাইখোম মিরাবাই চনুগী য়ুমদনা অরোইবা ওইনা চৎখি।

পার্টিগী প্রসিডেন্টনা লুচিংখিবা ঙসিগী খোঙচৎ অদুনা মণিপুরগীদা নত্তনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরক্কদৌরিবা মণিপুরগী নুপী শান্নরোয় ৪ অমসুং নুপা শান্নরোয় ১ পুন্না ৫গী মফমদা পূক্নিং থৌগৎপা ৱারোলশিং ইবা চেরোল অমমমসু পীখিবগা লোয়ননা শান্নরোয়শিং অসিগী অহল-লমনশিংদা শেলগী মতেং খুৎশিন্নখি। ঙসি খুৎশিন্নরমখিবা অইবা চেরোলশিং অদু মখোয়গী ইমুংগী মীওইশিংনা হৌজিক টোকিওদা লৈদুনা মখোয় মখোয়গী মশান্নশিংদা লম্বা তৌনবগীদমক শেম শারিবা মণিপুরগী শান্নরোয় ৫গী মফমদা ৱাটসএপকী খুত্থাংদা য়ৌহনবীনবসু প্রসিডেন্ট এ শর্দানা অপীল তৌরমখি।

পনবা য়াবদি, হয়েং ওফিসল ইনোগুয্যরেসন সেরেমোনি পাঙথোক্তুনা হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক অসিদা মণিপুরগী বোক্সর এম সী মেরি কোম, হোকিদা থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায়দগী সুশিলা চনু অমসুং কোন্থা অহল্লুপ মখা লৈকায়দগী নিল্লকান্ত, জুদোদা হৈঙাং ময়ায় লৈকায়দগী সুশিলা লিকমাবম অমসুং ৱেটলিফটিংদা নোংপোক ককচীংদগী সাইখোম মিরাবাই চনুনা মখোয় মখোয়গী লম্বাশিংগা মায়োক্লদুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরক্লবা হোৎনগদৌরিবনি।

অমরোমদা, নুমিৎ ১৬নি চূপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী খ্বাইদগী চাউরবা শান্ন-খোৎনবগী চাংদম্নবা অসিদা মণিপুরদগী শান্নরোয় ৫ অসি য়াওনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

খদ্রক তৌরম্বা ১ জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ১৭তা শাশিন্নবা কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইবগী রিপোর্ট পায়রগা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী ইন্দিগো ফ্লাইট নম্বর ৬ঈ-২৬১৪ তোংদুনা কোলকটা তম্না চৎননবা হোৎনরম্বদগী ফাদুনা পুলিস কষ্টদিদা থল্লকখিবা নন লোকল অমা ঙসি সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টনা মথং থাগী ৬ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে।

কোর্টনা জেলদা থাজিনখ্রবা মীওই অদুগী মমিং এম দি অনৱর অলি (৩০) অপোকপা এম দি ইঝার অন্সারি কৌই। ঝরখণ্ডগী ধনবাদ দিষ্ট্রিক্টকী সিদিক বগানগী কব্রিষ্টান মনাক্তা লৈবা সমসের নগরদগীনি। দিসেম্বর ৩, ২০২০দা মহাক দেল্লীদগী ইম্ফাল তম্না লাকখিবনি। অদুগা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা কৃষ্ণ কন্সত্রক্সন কম্পেনিদা হিল লোদর ওপরেটর ওইনা থবক তৌবনি। হৌজিক্না এন ঐচ - ১২০ বি পরিংগী চুড়াচান্দপুরদগীনা টুইভাই সেক্সন ফাওবগী লেন্দ অনীগী লম্বী পাকথোকপগী থবক্তা শরুক য়াদুনা চুড়াচান্দপুরগী লমজাংদা লৈবা ৱার্ক সাইদতা লৈরকখিবনি হায়রি।

অদুবু মহাক্কী অপোকপী মমা খঙহৌদনা মশা ঙল্লক্তবদগী মহাক থা অসিগী ১৭তগী নুমিৎ ৩০নিগী ছুটি মহাক্কী কম্পেনি অসিদগী লৌদুনা কোলকটা তম্না চৎননবা হোৎনরকপদা এয়রপোর্টতা কোভিদ নেগেটিভ রিপোর্ট য়াওদ্রবদি য়াদে হায়বদগী মহাক্না চুড়াচান্দপুরদা লৈবা কম্প্যুটরগী দুকান অমদা চৎলগা মহাক্কী মমিংদা কোভিদ-১৯ ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

কোভিদনা অঙাং লাখ ১৫ হেন্না মমা-মপাগা কায়নহনখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২২ (এজেন্সী) : হৌখিবা থা ১৪ অসিগী মনুংদা কোভিদ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াগী অঙাং লাখ ১,১৯,০০০ য়াওনা মালেমগী লৈবাক ২১গী অঙাং পুন্না লাখ ১৫,৬২,০০০ রোম মমা-মপাগা শেৎন খায়নহনখ্রে হায়না নেসনল ইন্সটিট্যুট ওন দ্রগ এব্যুজ অমদি নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ হেল্থকী রিছর্স অমগী রিপোর্টনা ফোঙদোরক্লি।

রিছর্স অসিগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা সাউথ অফ্রিকা য়াওদনা অতৈ মালেমগী লৈবাকশিংদা শিবগী চাং অসি নুপীদগী নুপানা হেল্লি হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তানা পল্লি। লায়চৎ অসিনা শিখিবা অসি শুপ্নগী অঙাংশিংগী মমা-মপা খক নত্তনা মখোয়বু য়োকপী-থাকপীরম্বা মীওইশিং অমদি মবোক অমদি মপুবোকশিংসু য়াওরি। কোভিদ-১৯ লায়চৎ অসিনা মরুওইনা শোকহল্লবা মালেমগী লৈবাক ২১দা তৌখিবা রিছর্স অসিদা মমা-মপা লৈখিদ্রবা অঙাংশিং অসিনা তুংদা থেংনরকপা য়াবা তোঙান-তোঙানবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদসু ৱাফম কয়া পল্লদুনা লৈবাকশিং অদুগী পাল্লিবা লৈঙাকশিংদা অঙাংশিং অদুগী লৌখৎপা য়াবা থৌরাং-থৌশিলশিংসু লৌখৎনবা ৱাফমশিং থমখি হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী ওইনসু অঙাং ২৫,৫০০গী মমা অমদি অঙাং ৯০,৭৫১ রোমনা মপা কায়নহনখ্রে। অদুগা অঙাং ১২গীনা মমা-মপা অনীমক কায়নহনখ্রে। লোয়ননা ২০২১গী মার্চ থা ফাওবদা অঙাং ৫,০৯১ মমা-মপা কায়নখি। অদুগা এপ্রিল ফাওবদনা ৪৩,১৩৯ হেন্না মমা-মপা কায়নখি। থা অমা অসিদা মমা-মপা কায়নখিবগী মশিং অসি চাদা ৮.৫ হেনগৎলকখি হায়রি। মালেমগী ওইনা য়েংলরুগনা অঙাং ১১,৩৪,০০০গী মমা-মপা, য়োকপী-থাকপীরম্বা মীওইশিং অমদি মবোক অমসুং মপুবোকশিং লৈখিদ্রে। অঙাং ১০,৪২,০০০গীনা মমা অমদি মপা অনীমক লৈখিদ্রে। অঙাংশিং ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

৯২৮ পোজিটিভ ওইখি, ১২ শিখি

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): মণিপুরনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্লবা হৌরকখিবদগী ঙরাংনা পুং ২৪গী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্না অনৌবা পোজিটিভ কেস ১৩২৭ থেংনরগা মীওই ১৫না লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অদু ঙসিদি হন্থরক্লুনা অনৌবা পোজিটিভ কেস মশীং ৯২৮ থেংনখ্রে অদুগা মীওই ১২ লৈখিদ্রে।

ঙসি নুংথিল কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ত্রোল রুমনা থোরকপা চেরোলগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৯২৮ (সী এ পি এফ পর্সনেল ৭, জেনরেল পোপ্যুলেসনগী নুপা ৪৬৬ অমসুং নুপী ৪৫৫) থেংনখি হায়রি।

অনৌবা কেসশিং অসি রিমসতা ৪৯, জেনিমস ১৪২, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৪৭৬ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা কেস ২৬১ থেংনখিবনি হায়রি।

ঙসিগী ওইনা পোজিটিভ ওইখ্রবা মীওইশিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্ট ২৫৬, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২৮৪, থৌবাল ৫৪, বিষ্ণুপুর ৭৯, ককচীং ৫৫, উখ্রুল ৩, চুড়াচান্দপুর ১০২, চান্দেল ২৩, সেনাপতি ১১, তমেংলোং ২৬, তেংনৌপল ৩, জিরিবাম ৫, নোনে ৩, ফেরজোল ২ অমসুং কামজোংদগী ১৫নি। অদুগা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ১২ লৈখিদ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৩, ইম্ফাল ইষ্ট ৩, থৌবাল ১, বিষ্ণুপুর ২ অমসুং কাংপোকপীদগী ১নি।

ঙসি লৈখিদবা মীওই ১২ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লৈখিদবা অপূনবা মীশিং ১৪৩৬ শুরে। ঙসিগী ওইনা লৈখিদবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা মীওই ৭না কো-মোবির্টিজদগীনি। মখোয় লোইনমক কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্ত্রিবা মীওইশিংনি হায়রি।

অমরোমদা ঙসি দিসচার্জ তৌখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ৮৬৮নি। মসিগী মনুংদা হোম আইসোলেসন্দগী ৩৬২, রিমস ৬, জেনিমস ১৫, সী সী সীশিংদগী ২০৯ অমসুং সী ঐচ আই সীশিংদগী ২৭৬নি হায়রি।

ঙসি ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫